"ঐহাক লেপ্তুনা লৈরি লম্বীসিদা, য়েংলি খঙবীবা অমতং লাকপরা, পুবিনবা ঐবু লমথুংফম য়ৌনা।" - *এলাংবম সোনামনি (ঐগী ৱাকৎ)*

## শৈরেং

### হায়বীয়ু

**— এল চিত্র**

ঙসিদি মৌনব্রাত কায়রে, হে মুণী
অপসরাগী জগোয় খোঙথাংগী খোঙজি মখোলদা
থা ৯ হেন্না কৌরব পান্দবকী লানফমদা
নঙদি লৈখি তপস্যা তৌদুনা
নীংতম্বা তাল্লিবা মীতৈগী লালহৌবা
অমুক্তং মূখৎকে খন্না চীংলৈবাকসিদগী
পূম্নমক লাকশিল্লে লালহৌ কয়া নোংপোকলমগী
নঙতদি য়াদে মীতৈ পাথৌ
ঙকচাও থেকপা, অকিবা লৈতবা মীতৈ
মালেমদা মকোক থোংলল্লিবা ইন্দিয়া
শীংনরি মীশিং য়ামজদবা ফূরুপসিনা
খল্লি লুচিংবা, ইকায়বা পীবনি
কৈসু লৈতে মীচং শঙ্গ লৈত্রবা কাঙলূপ
হাৎনহল্লী কাঙলূপ অনী
শ্রীকৃষ্ণনা তৌখিবগুম মহাভারত লানফমদা
মাঙহন্নীংই মালেমদগী মীতৈ ফূরুপ
থৱায়না পোন্থা পীরবসু মীতৈ লিশীং লিশীংনা
লেপ্পা লৈরোই শোক্লখিনি লান মরৈবাক্কীদমক্তা
মীতৈ অমতং হিংলবসু
পীল্লবা ফূরুপসিনা পীখিবা মনা কয়া
ইন্দিয়াগীমক্তা শান্নবুংদা মালেমগী
থাগী খোঙচৎ থিজিনবগী লম্দা
শরুক য়ারি মীতৈ মচা
চাওথোকচরি ইন্দিয়া মায় পাকপগী
মখল মথেল থৌরম কয়াদা
শরুক য়ারি মাঙজিল থানা
শগোল কাংজৈগী হৌরকফম
নীংতম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা ফিরাল পাইহনফম
চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা
মণিপুর কৌবী ইমাসে
থুগাইগে খনগনু, মূখৎকে নীংগনু
লাইনা থাবা লৈবাক্লি
নীংশিংবীয়ু মালেম জয় তৌঙম্বা
লান্থেংনখি বৃটিশ ফাও
খূৎলায় লৈতে অফবা
নীংহন্নদে মীতৈনা লানফমদা
মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা
ওইনীংবা ওইসনু য়েক্লবা
ঙমদ্রি ফাওবা মায়থীবা পীবা
থেংনখিগনি লান লেপ্পা লৈতনা
হে মুণী নঙদি
নঙদি অচুম্বগীদমক্তা
ৱাহে অমত্তদি হায়বীয়ু।

### কনানো নঙবু

**—বিমোলা লৈমা**

চেঙলৌ শক্লদি হেল্লিবা
ফনেক খোয়দোম শেৎলিবী
খারি লৌবুক্তা লৌবু পেংলিবী
শকখঙদবী চনুরা নঙবু।
মায়থোঙদু অমুক্তংদি হাইগৎলু
চেঙলৌ হেনবী শক্তমদু অমুক্তংদি য়েংজগে
শন্নাংনা ৱাই-ৱাই তারিবা
শকখঙদবী চনুরা নঙবু।
কোক্তা কোকশেৎ, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ
কয়াদা পকচরিবা
চেঙলৌ হেনবী
চনুরা নহাকপু।
চীংয়াদুগী নাপোমদা
নাম্মীবা নুংশিৎনা হুন্নকপদা
কয়াদা মনীং তম্না পাইরিবা
নুরা ওইবী নঙগী শন্নাংদু।
ইঙা ইঙেনগী শারবা
কালেনগী মৈশাদা
তনৌরবী মায়থোঙদা
হুমাং ইরিক-ইরিক্না
চেম্থরিবা নুরাগী মায়থোংদুবু
পাখং ওইবা ঐহাক্না
কয়াদা খোইদারুবা
নুরা ওইবী নহাকপু
লমদম কৈদগীবু ওইরিগবা।

### 'শৈরেং নঙবু নুংশিবী'

**—রাজকুমারি মীনা**

চেনথরল্লিবা পুৱারীগী লাতমশিংদা অদুঙৈদগী
পুদুনা চৎলি নিঙাইদনা নহাক্কী খোঙচৎনা
অৱা-নুংঙাই কোঙ্গাইগী ৱারী-শিংবুল কয়া
ননীং তম্না ঈয়াইথক্তা তাওদুনা নিঙাইদনা
অদুনা, কৌগেকো নহাকপু - শৈরেং নঙবু নুংশিবী।
মালেম লৈশেল্লোন হৌরক্লোনগী পুৱারী
মীওইবা খুন্নাইগী নুংশিরবা মচৎলোন
নৈনদুনা চৎলিবনি নহাক্না অৱাৎপা লৈতনা
শাগৎলি নঙগী নুংশিগী ঈপাক্তুদা মুৎনাইদনা
অদুনা, কৌগেকো নহাকপু - শৈরেং নঙবু নুংশিবী।
লানঙম ফিরাল থেৎকে নীংখিবা কয়াদা
মায়থীখিবা মখোয়গী ৱারী শীংবুলশিংবু
তাক্লিবনি নহাক্না মীরোল কয়াগী কাইদা কয়াদা
করম্না মেনখৎকনি মদুগী অশোয়বা অরানবা পোরম
অদুনা, কৌগেকো নহাকপু - শৈরেং নঙবু নুংশিবী।
চেম্থরিবা ঈচেলনা হঙ্গৎনা চেনদবগুম তাইবঙদা
লিক্লম চুম্না পরিং নাইনা চেম্থরল্লিবনি নহাক্তি
শাবি-শানৌ, অপাম-নুংশিগী ৱারী শিংবুল কয়া
পুথদুনা, চেম্থদুনা অমত্তা খাক্তনা লাক্লিবনি নহাক্না
অদুনা, কৌগেকো নহাকপু - শৈরেং নঙবু নুংশিবী।
নীঙমদ্রবা থম্মোয় মৈচাক্কী ৱারী লিপুল কয়া
ফোঙমদ্রবা অৱাবা থম্মোয়গী মপাওশিং
হায়ঙমদ্রবা ৱাফম কয়া লল্লানবা কনাদা
লিরিবনি, হায়রিবনি, ফোঙদোক্লিবনি ননীং তম্না
অদুনা, কৌগেকো নহাকপু - শৈরেং নঙবু নুংশিবী।
ময়েক শেংনা, মচা খায়না, মরোল নাইনা
তাক্লদুনা, খঙহল্লদুনা পুথরিবা ৱারী-শিংবুল
লৌশিনবা ঙম্বা কনানা তাশিন-খোমজিল্লি মমুৎ তানা
পীরিবনি লৌশিংগী পুক্কে মীরোল কয়াগীদমক নহাক্না
অদুনা, কৌগেকো নহাকপু - শৈরেং নঙবু নুংশিবী।

### ঐখোয়গী ঈশৈ

**—শান্থলেম্বী লিশম**

ওলাংনরবা মতমসিদা
লোইজি চীংয়া কয়াদা
পাইরুদ্রবা চেক্লাশিংনা
চাক্তানরক্তুনা পাইবা হৌরকপসিদা
ঐগী চরাংনরবা থম্মোয়সিবু
পীরি লেপ্পা লৈতনা হিংবগী ঈথিল
হাপ্পীরে ঈনোৎ মতম চূপ্পদা
শক্লসি লাক্লো য়েলহৌ ইরৈচাশা
মতম অমগী ঈশৈদো
সনা লৈবাক মণিপুর!
ইপু ইবেনগী ফম্বাকসিদা চেল্লিবা
লাইজ ঈচেল কয়া, পাক্লবা পাৎশিংবু
তনিক তনিক্না থলহল্লসি
চীংদোল অৱাংবশিংসু
অশংবা ফিজোলনা লৈতেংলসি
শংবান্নরবা অতিয়া মখাসিদা
চাক্তাদুনা লৈরিবা ইরৈচাশা
শক্লসি লাক্লো নৌহৌননা
মতম অমগী ঈশৈদো
সনা লৈবাক মণিপুর!
শক্তুবদা ঈশৈ, অপূনবা ঐখোয়গী
করম্না য়েন্নিং হুনগনি?
মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লবা
ঈখেং তৈরবা থাঙগী মতেংনা
হুল্লসি অচংবা মরূ
পথরবা য়েক্লবগী লাংগী লৈহাওদুদা
পাইরুদ্রবা চেক্লাশিংনা হন্না চাক্তানরকপগুম
ইপু ইবেনগী লমদমসিদা নিলহল্লসি
ঐখোয়গী ঈশৈ খোঞ্জেলনা
সনা লৈবাক মণিপুর!

### য়াদে য়াদে তিন্নবা

**—নোমিতা খোংবান্তাবম**

য়াদে য়াদে তিন্নবা
পুৱারীদগী য়ারক্তে তিন্নবা
নিংথৌ মচা মশেল
খুভম মুন্নে নুংশিনদে
লৈবাক ঈরাং থোকই
মীয়াম্না ৱাই লাঞ্জেল্লি
মনীং তম্বী ফমদোলশিং
লৈবাক কায়বা নাচুংদে
তিন্নবা য়াদে লৈঙাকলোইশিং
তিন্নৌ পুল্লু য়াদে
লূপশিংসু পুল্লু য়াদে
নিংথৌ মচা মশেলগী
তিন্নবা য়াদবগী ৱারীদি
পুথোকই লীরি খঙহল্লি
ৱারী লীরিবা মখোয়সু
পুল্লু তিন্নৌ য়াদে
য়াদবগী করিদা খেন্নরি
য়াদে য়াদে তিন্নবা।

### বসন্ত ঋতুনা লাক্লবসু

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মখল মথেল মচু কয়ানা
লৈতেংলবা বসন্ত মাগী কুম্মৈ লাক্লে
হরাও মোমোন মীনোক্না লোয়নরদুনা
কুমগী ঋতু রাজ বসন্তনা লাক্লবসু
পূম্নমক অরেম্বদা তাখরে
মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি
অমুবা মচুনা শংখ্রবদা
কোকপা খক য়ারোই
ইঙা ইঙেনগী নোংজুনা চাল্লবসু
কাঙলূপ অনীগী মরক্তা
থেংনরিবা লান্থেং অসিনা চৈথেং
ফংলি লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিং
মেরা থাগী ঈংলবা থাবলনা
ফিঙৌ ফৌনা নিংথিজরবসু
কনাগী থম্মোয়না ঈংগনি
কোভিদ লাইচৎনা নৈহৎপীরল্লবা মতুংসিদা
চৎহৈদ্রবা লীচৎ-শাজৎ কয়ানা
নোংম-নোংমা হৌখিদুনা
ঙসিদি থাবুম কয়া হৌখ্রে
কাঙলূপ অনীগী লান্থেংগী চৈনানা
চাক্লিবা মৈজাও অসে
বসন্ত ঋতুনা লাক্লবসু ঈংলরোই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪

১) **"নুংশি লমন"** (২০১৬) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
২) **"মেরা থাগী শনারৈ"** হায়না মিংথোনবা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) **"নুংশিরবী পোক্লমদম**
**নথানুংদা হিংলিবা মহিংসিবু**
**করি মহিং কৌবগে?"**
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?
৪) **"পূন্সিগী মহাও"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৫) **"দা. কমল : লাইফ এন্দ ভিজন"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা কনানা ত্রান্সলেট তৌবগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

## মালেমগী ওইবা ইমা লোলগী নুমিৎ



ইমা লোল নীংশিংবসি,খোরিরোলগী মীওইশিংখক্তনা অয়াম্বা লমদমসিদা নীংশিংবগী থৌরম পাংথোকপগুম উরি । ইমালোল কয়াম মরুওইবগে হায়বসি ঐখোয়গী মীওইশিং লূমনা লৌনবা ৱাৎলি। য়ুনেস্কোনা ভারতকী অৱাং নোংপোক মাইকৈদা লৈরিবশিংগী মনুংদা মণিপুরী লোল অসি মুৎখিগদবগী কাঙলুপ্তা য়াওরে হায়না লাইফাও তৌরকখ্রবনি । লোল অমা মাঙখিবা হায়বসি লোল অদুবু ঙাঙনরিবা মীওই কাঙলুপ অমা মাঙখিগদৌরিবনি। মীওই কাঙলুপ অমা মাঙখিবা হায়বসিদা লোয়নখিগদৌরিবসি য়াম্মী । চৎনবী শাজৎ, শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং, পূন্সি অমদি নাৎকা মরি লৈনবা খূদিংমক্লি। লমদমসিগী মীওইশিং লোলগীদমক খন্নদে,নৈনদে। নুমিৎ খূদিংগী ইমুং-মনুংদা, মীয়াম তিনবা মফমদা, মহৈ তম্ফম শঙশিংদা, রেডিও অমদি কেবল নেটৱার্কশিংগী থৌরমশিংদা, ফোঙলিবা লমদমসিগী লাইরিকশিংদা ইমা লোল কয়া য়াম্না ঙাঙদুনা শীজিন্নরিবগে হায়বসি য়েংশিনবা মথৌ তারে। মণিপুরী লোলবু হায়নীংদ্রে, মৈতৈলোন হায়বনা চুমগদ্রা খনবা ফাওবা য়াওরক্লি । ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা মৈতৈলোন তম্বা হায়না খঙনরকই। হৌজিক্না মীনা য়ানবা,নুংশিবীনবা হায়দুনা কিথি কিরুম তৌদুনা মৈতৈ লোনগী মহুৎতা মণিপুরী লোল হায়নরি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ানবা তৌশিনখিবা অসিনা তুংদা কয়াম কায়রকপগে হায়বসি হৌজিক লমদমসিদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক ময়াম অসিদগীসু খঙনরবনি। অঙাং মমিং থোনবা ফাওবা পোকপদা থোনখিবদু চাউরগা শেমদোক্লে। মিং লানবগী চুমথোকপদা পাউচেদা হাপ্পরি, উকিল নেক্তুনা ইনরি । অধার কার্দতা মিং লানবা শেমদোক্লবদা থবক অমা ওইনরিবা ময়াম্না থেংনরিবা ঙাক্তনি।

মতম অমা ইরোলদা মীরোল য়ানশিন্দুনা ঙাঙবসি লাইরিক হৈবা ওইনা লৌনরম্মী । ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা তম্নরকপসি সংস্কৃট,বংলা, অসামিজ অসিনা মরু ওই। হিন্দি লোল কয়া ঙাঙনরক্তে । সংস্কৃট-বংলা লোন তম্লকপগী কান্নবসু লৈখি। অহেনবা লোল অমা হৈরকপা খঙলুবদা অকায়বদি ওইদে অদুবু মীগী লোল অদুনা হেন্না লাকশিনখিদুনা ইশাগী লোলগী মশক্তা কাইহল্লকপা অসিনি লুরিবদি । য়েংশিলহৌদবা, চেকশিলহৌদবদগী ঐখোয়গী মৈতৈলোনগী ফজবা কয়া, খঙনা খঙনা মাঙখি হায়বসিমদি চুমগনি।

হৌজিকসু লোনয়ান ময়াম অমনা ঐখোয়না ঙাঙনবদা অমদি লাইরিক ইরকপদা শীজিন্নরি। লোনয়ান খরা য়াওদ্রগদি ফজদবা, লাইরিক হৈতবা মানবগী ইশা ইশাদা খলহনবগুম্বা অমা ফাওনরি। কনাগুম্বনা থোইনা খল্লুদবদগী হৈনখিবা অমা ওইনা লোনয়ান য়াওনা ইনৈ, ঙাঙনৈ । চহী কয়া লিশাং শিৎনা হৈনরকখিবা ওইবনা মৈতৈলোন ওইজরবসু লোনয়ান খরদি অদুম হৌজিকসু শীজিন্নরি। লোনয়ান য়াওনা ঙাঙনবদা হৈনরকখ্রবা ওইবনা অহল - লমন অমদি মীওই খরদি মৈতৈলোন ঙাক্তা চুম্না ঙাঙবদা হৈনদবা ফাওবগুমনসু থেংনৈ । ঙাঙবদসু ইরকপদসু বংলা, হিন্দি অমদি ইংরাজি খরা অদুম থেৎচিল্লি। বংলানা হেন্না শীজিন্নবগুম তৌই।

মালেমগী ওইনা মমালোনগী নুমিৎ হায়বা থৌরম অমা পাংথোকপা হৌরকখিবসি কুইদ্রি কুমশীং ২০০৫ অসিদগনি। থৌরম অমা ওইনা মালেমগী থাক্তা পাংথোল্লকপগী চাউরবা ৱারী লৈরি । মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ পাংথোকপা হৌরকখিবগী মফম অসি বংলাদেশতগী হৌরকখিবনি। বংলাদেশ অসি ঙল্লিঙৈদা ইষ্ট পাকিস্টান হায়না খঙনরম্মী। ইষ্ট পাকিস্টাননা বংলাদেশ ওইরকখিবগী ৱারীসি মমা লোলগসু মরী লৈনরি। ইন্দিয়াদা-পাকিস্টান পূল্লিঙৈদা, ইষ্ট পাকিস্টান অমদি ৱেষ্ট পাকিস্টান খাইদোক্ত্রি। কলকটাদা ঙাঙনরিবা লোল অসি বংলা লোলনি । বংলা লোল অসি ভারতকী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা অসাম য়ৌনা শাফু কন্না চঙলকখি। মণিপুর ফাওবা বংলা লোল য়ৌরক্তুনা লমদমসিগী ঙল্লিঙৈগী মীওইশিং বংলা লোলদা মহৈ মশীন তম্নরকখি। ইষ্ট পাকিস্টানদা লৈরিবা মীওইশিং কলকটাগা য়ুমথংনৈ। মুসলমান ওইরগসু বংলা লোলনা মমা লোন ওইনা ঙাঙনরকখি। ৱেষ্ট পকিস্টানদা লৈরিবা মুসলমানশিংনা উর্দু পারসিনা মমা লোন ওইনা ঙাঙনৈ। ৱেষ্ট অমদি ইষ্ট পাকিস্টান অনী অসিগী মনুংদা খরা হেন্না খুৎকন পাঙ্গনবসি ৱেষ্ট পকিস্টান্না হেনবা মরম্না ইষ্ট পাকিস্টানগী মীওইশিংনা ঙাঙনরিবা বংলা লোন অসি ঙাঙদনবা মদুগী মহুৎতা উর্দু পারসি লোল ঙাঙনবা ইন্দিয়াদগী খাইদোল্লবা মতুং (১৯৪৭ ইন্দিয়া-পাকিস্টান পার্টিসন) অসিদগী অদুম হৌখ্রে । থংনবা কুমশীং ১৯৪৯ অসিদা ইষ্ট পকিস্থান্দা লৈবা ধিরেন্দ্রনাথ দত্ত কৌবা বঙ্গালি নুপা অমনা এসেমব্লিদা বংলা লোলগী মহুৎতা উর্দু লোলনা শিন্নবা থৌরাং অসি য়ানীংদবগী ৱাফম খন্ননবা পুথোল্লকখি। অসুম অসুম চাওথোকলকপদগী কুমশীং ১৯৫২ অসিদদি ধকা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিং অমদি ময়াম পূন্না অচৌবা মীফম অমদি পকিস্টান লৈঙাক্কী মায়োক্তা য়ানীংদবগী খোঙচৎ অমা চৎখি। নুমিৎ অদু ফেব্রুৱারী তাং ২১,১৯৫২ নি। পাকিস্টান লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না পুলিসশিংনা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎলিবশিংগী মায়োক্তা য়ানরক্তবদগী নোংমৈ কাপশিনখি। ধাকা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই ওইরিবা মুসলমান মচা মঙা- Abdus Salam, Abul Barkat, Rafiq Uddin Ahmed, Abdul Jabbar and Shafiur Rahman হায়রিবা মীওইশিং অসি শিখি। মীওই চা কয়া অমনা অশোক অপন নঙখি। বংলা লোলনা মমা লোন ওইবা Rafiqul Islam কৌবা মুসলমান মচা অসিনা ফেব্রুৱারী ২১ দা মমা লোনগী ইহৌদা লৈখিদবা মীশি-মীনা থোকখিবা থৌদোক অদুবু নীংশিংনবা ৱাফম থাঙ্গৎলকখি। ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্ট য়ৌনা পুখৎলকখি । মতুং তারকপদা,মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা Sheikh Hasina না UNESCO দা মমা লোনগী নুমিৎ পাংথোল্লবা ৱাফম লানখৎখি। UNESCO গী মীফম্না অৱাংবা থাক্তা কূপ্ন খন্নরবা মতুং কুমশীং ১৯৯৯ নবেম্বর ১৭ তা অমত্তা ওইনা মালেমগী থাক্তা মমালোনগী নুমিৎ থৌরম পাংথোল্লবা য়াবীদুনা লাউথোকখি। অহানবা মালেমগী থাক্তা পাংথোকপা মমালোলগী নুমিৎ থৌরম পাংথোকপা হৌখিবসি কুমশীং ২০০০ অসিদগীনি। ঙসি চহী ২৪ মপুং ফারে। মালেমগী মমালোলগী নুমিৎ পাংথোকখিবসি ইষ্ট পাকিস্টানদা থোকখিবা বংলা লোলনা মমালোন ওইখিবা মুসলমানশিংনা হৌখিবা লোলগী ইহৌদগীনি। ঙসি ইষ্ট পাকিস্টান অসি বংলাদেশ হায়না খঙনখ্রে। পাকিস্টানগা মরী লৈনদ্রে ।

হৌজিক্কী মতম অসিদা মমা লোলগী মরু ওইবসি মালেমগী লৈপাক খূদিংমক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙনরক্লি । চাউখৎপা লৈপাকশিং জর্মণি, ফ্রান্স,রুশিয়া, গ্রীক, ইজিপ্ট,জপান, চাইনা, কোরিয়া অমদি অতৈ লৈপাক কয়াদা মখোয় মখোয়না ঙাঙনরিবা লোলশিং চাউখৎনবা অমদি ঙাক শেন্দুনা থম্নবা থৌরাং (পোলিসি) কয়া কন্না পায়খৎনরক্লি। থবক কয়া লৌখৎলি । ঐখোয়গী লমদম অসিদনা ইমা লোল ওইরিবা মৈতৈলোল, ময়ামগী ওইনা মণিপুরী লোল অসিগী মরুওইবসি খন্নবা ৱাৎলি, থৌ শানদ্রি। কাঙলুপ খরনা পাংথোকপা নত্তনা মণিপুর শিনবা থুংনা লোলগী নুমিৎ পাংথোল্লবা থেংনদে । খঙদবা মীসু য়াম্না লৈবগুম উই। লোল অসিবু ঙাঙবীরিবশিংনসু খোম্থোক ফাওবা চুম্না ঙাঙনরকত্রে। হীরম (সবজেক্ট) অমা ওইনা মণিপুরী লোল,মৈতৈলোলদা অপাংবা থাক্তা মহৈ (মষ্টর) তমজবদা করিগী মৈতৈলোল তম্লিবনো, মণিপুরী লোলগী মহুৎতা ইংরাজিনা হেন্না মরুওই হায়না তাকপীবা, মীওই অমদি ওজা ফাওবা য়াওরি। মখোয়গী মফমদদি ইমালোল হায়বা অসিগী ৱাহম্থোক লৈতে। ইমা লোল নীংথিনা খঙবগা লোয়নননা অতোপ্পা অহেনবা লোলসু তমগদবনি হায়বসি হায়নীংদবা মী লৈরি। ইমালোলগী মরুওইবদি দিল্লি, বেঙ্গ্লে ফাওবদং চৎলুবা, লৈরুবা, মহৈ তমলুবা থবক ইনখাং তৌরুবা মীনা খঙলোই। লোল অসিবু নুংশিবগা লোয়নননা লমদম অসিগী লৈজরল্লিবা,পূক্কে চোল্লবা অরীবা লাইরিক লাইশু নৈনজবা অমদি লোল অসিবু তাকপী তম্বীরিবা অমদি চাউখৎনবা হোৎনরিবশিংনা হেন্না খঙনরি। ময়াম পূন্না খঙমীন্নরগদি লোল অসিগী মরুওইবসি খঙমিন্নদুনা হেন্না চাওখৎকদবা মাইকৈদা চঙশিনমিন্নবদা,তুংগী হৌরল্লিবা মীওইশিংগীদমক কান্নবা ওইগনি।

লোল চাউখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ইশাগী য়ূম য়ুমশিংদগী পীল্লিবা অঙাংশিংদগী তাকপী তম্বীবা হৌগদবনি। ঙসিগী অঙাংশিং মৈতৈ লোল য়াম্না খঙনরকত্রি। মমা ওইবীশিংনা মচাশিংদা মৈতৈলোল তম্বীবগী মহুৎতা ইংরাজি, হিন্দি ওইনা হেন্না তম্বীবা থেংনৈ । মহৈশঙশিংদসু পীল্লিবা অঙাংশিংদা ইংরাজিনা হেন্না ঙাঙহল্লি। মরুওইনা প্রাইভেট স্কুলনা হেল্লি। ইংরাজিসু তমদবা য়াদে অদুবু ইরোল খঙহন্দবা হায়বসি অচৌবা মাঙজবা অমনি। অনৌবা (N.E.P) নিয়ু এদুকেসন পোলিসি অসিদা মমা লোলনা তম্বীনবগী মরুওইবা য়াওরল্লিবা অসি অনৌবা খোঙথাং অমনি। মসি তরাইনা লৌবা চুমলোই। ঐখোয় মণিপুরগী ওইনদি লোলসু লৈজে ময়েকসু লৈজে । মালেমগী লৈবাক খরদি ময়েক লৈজদবা মরোল লৈজদবা, মরোল মাঙখিবসু য়াওনরিবনি। মখোয় ঙসি কপ্পরি । লোল লৈতবা ময়েক লৈতবা খুন্নাইদি মমা মপা লৈতবগা চপ মান্নে। লোলনা ইমানি ইয়েক্লা ইপানি হায়বসি ঐখোয় নীংশিংমিন্নসি। মালেমগী মমালোনগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২১দা পাংথোক্লরিবসি মীওই খরতনা পাংথোকপগী মহুৎতা মীয়াম হুপ্পা পাংথোকমিন্নসি। বংলাদেশ হায়রিবা লৈপাক অসিদদি নুমিৎ অসি ছুটি ফাওবা থাদুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্নরিবনি। য়ুনেস্কোনা লোল, নাৎ চাওখৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অসি ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নসি। ইমা লোল মৈতৈলোলবু ইকায় খুম্নমিন্নসি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

## খুল ঙাক্লো লাউ

ঙসিসি ঐখোয় লৈকায়দা নুপী অমা, নুপা অমা লুহোংই। নুমিৎ ফবনরা কৈনো লুহোংবা অমদি অতৈ থৌদোকশিংসি পংফাংদা ফাংনৈ। ঐসু চেন-চেন্দুনা পোৎয়েং পীরুই। ঐগী য়ূমগী হেক নাকল থংনবদনি নুপা অমা লুহোংঙিদুনা। কুইরে নুপী থিল্লকপা কনানসু লৈত্রে, পুমলাং লাংলম্বশিং পুমচিক চিক্লরে। ঐগী শুমাংদা বর ময়ামগী ফম্ফম, চাফম, থকফম ওইনা শিনগে হায়দুনা শিনবনি। ঐদি চাক চারগা ৱামন্দনা তূমথরুরে। অদুগা মীকপ থোরকপদা খোনগাই অমনা শুর চাদনা শকপা ঈশৈ অমা তারকপদগী মীকপ থোক্লে। য়ু ঙাওবা ওইরমাল্লে, হায়দুনা ফৈজুপ চিংখৎলগা তূমথগে ফনা কন্না হোৎনৈ। অদুবু তূম্বদি য়াদ্রে। মাগী জুৎ চাদবা ঈশৈদুনা ঐবু শুম্বা ঙমদ্রে। খোইদৌ শাউগৎতুনা অমুক চেপ, অমুক লোং তৌদুনা তানীংদ্রসু ঐগী শুমাংমক্তদা শকথরল্লবনিনা তাদা য়াদদনা তারে।

"হো...হো..., ঐদি পাখঙ শরিনি, তা...লোই তুঙ...তুঙ... ইন তমজদ্রি..." খোঞ্জেলদুদা অদুম খঙঙে, ফরক কন্না ফুরিসি নুপী থি খঙদ্রবা তা থমোয়নি। ঐ হৌগৎলগা থোঙনাওদা য়েংই। প্লাষ্টিককী মখোঙ ফেরে-ফেরে হাইরবা টেবলদুদা মখুত্তুনা তান থার-থারগা তা থমোয়দু ঈশৈ শক্লি। টেবল মথক্তুদসু ঈশিংলা য়ুরা খঙদবা মহী য়াওবা দিস্পো গ্লাস অমা তান থাবগী থিম্থরকপদুদা চ্রোক-চ্রোক লাউনা দিস্কো তৌরি। অচা অথক্কী লেমখাক খরসু পূমচাই চাইদুনা লৈরি। অতৈ টেবল মথক্তসু লোইরে অমুক্তোইবা অরেম-অপা ময়াম্না প্লেট মথক-মথক্তা মফম চাদ-চাদনা পূমচাই চাইরি। হয়েং অয়ূক লোইশিল্লগে হায়না থনম্মজ াৎনি। ঐ লুহোংলিবা ইমুংদুদা অমুক য়েংলুই, মোইসু থোঙ লোল্লম্মে। কনাগী বরগকা লোইনা নাখোক্তুনা মঙ তাল্লম্মনি।

তা থমোয় হায়সি লৈকায়সিগী অরিবা পাখঙনি। লৈকায়সিদা থোকপা লুহোংবা, ইপান থাবনচিংবা কয়াগী থৌরমদি অমত্তা চিথুবা লৈতে। লুহোংবদা চাইসেল কয়ারক পায়খ্রবনি, মাগী টর্নদি শুংলাক লাক্তে। খূৎপায় ওন্নদুনা তৌরিরদি খঙদে। মাসু য়ারগদি হায়দনা মমান্নবা নৎত্রসু লৈকায় অঙাং লুহোংবদা চেনশিন-চেনশিন্দুনা চাইশেনদু মীনা পায়রম্বদগী ফাওবা মুন-মুন্দুনা মশীং খঙদনা পায়রবনি। ওইদে, মালেমসিদা তা থমোয়গী নুপী পোক্তুবরা কৈনো খঙদে। সিদনি মানা মথৱায়সি প্রোক-প্রোক চাক্লিসে। অদুননি মানা মীগী থৌরম মফম মফমদা চঙলগা তৌরিবসি। ঐনা খল্লি, মাসিবু ফজনা থেম্মগা ময়ূমদা হলহনখ্রসিরা? নৎত্রগা মানা থোকপা অমা তৌজরসনু হায়না ঐসু অমুক ফমুং চঙলসিরা? ফরে নঙনা থোকপা তৌহৌরো হায়না ঐ ফমুং চঙলগে হায়না মায় লৈশিল্লক্লগা ফমুং কাখৎপদা ঙাইরি। "পোব" লাউবা মখোল অমগা লোয়ননা "অয়ো ইমা" হায়বা খোঞ্জেল অমা তাখি। ঐ ফুক হৌগৎলগা থোঙনাওদুদা থুনা য়েংই।

দবল বেরেল পায়বা পুলিসকী দ্রেস শেৎপা নহা মরি-মঙানা ইকোয় কোইশিল্লগা তা থমোয়দু তোৎপা হৌরম্মে। ঐ থোঙ হাংদোক্লগা খামসি খামঙমদা থোঙনাওদা ইঙক ঙক্লা য়েং লৈরে।

"সুক থেংলবা মতমসিদা ইয়াম্বনা তৌবীরিসি করিনো?"

"ঐ লুহোংবা অমা য়াওরিবনি?"

"কনাগী লুহোংবা, সুক থেংলা ফাওসিদা কনাগী লুহোংবনো?" ৱাহৈসিগা লোয়ননা অমুক মশা মউগা ফল্লপ তৌবা অমনা মখূৎতা পায়রকপা চৈদুনা তা থমোয়গী নীংজোন্দুদা শেৎ লাউনা কনখি। তা থমোয়দু মনীংদু ফনা নীংথিনা থেক্তোক্লগা কপ্লি কপ্লি খামজৈ।

"ইনাওশা অদুমাইনদি তৌনু। ঐসু মীগী থৌরমসি য়াওবা লাকপনি। মী লোইনা হন্নরম্মে, য়ারে ঐসু হল্লগে"

"নঙ ঐখোয়না য়েংলক্লিসি ফনা য়াম্না কুইরবনি, হেনমল্লে। সিগী মফমসিদতা নত্তে। মীগী থৌদোক মফম খুদিংদা নঙনা নয়ু থকচিল্লগা তৌরিসি করিনো? ঙসিদি নঙ লেম্না থাররোই?"

"ঐ নোইদা খুরুম্মু হায়রসু খুরুম্মগে, ঐ মতুংদা তৌররোই, ঙসিদি ঐ পোৎসু খরা পায়শিল্লুরে, য়ূমদা হল্লগে"

"ঐখোয়না সোমদা অহিং তূম্ফম খঙদখৈ খুল ঙাক্তুনা শিফম-নাফম খঙদনা লৈরি। মীনা মরূ য়াঙ্খৈ কাপ্পকপদা ঐখোয়না মঙা ফানা হনবা ঙমদে। নোংমৈ মরূ মরক্তনে ঐখোয়না নোই ময়াম অমদি ইরৈকায়সি ঙাক্লবা লান থেংনরিসে। অদুগা নোইনা লুহোংবগী মিংদা লুপা লাখ-লাখ থাদরগা শেল মাঙহন্দুনা নুংঙাইনা লৈথোক্লিবা। লাউ ঐখোয়গা চৎসি, খুল ঙাক্লো লাউ"

"ইনাওশা ঐ চৎলোই, ঐ ঙাকপা হৈরোই"

"করি হৈতবা" শেৎ-শেৎ হায়বা মশীংসিনা অমুক্তোইবা কুংশিল্লক্লে। মমৈদদি তা থমোয়দু মশা মথন্তা উপথখ্রে। শেৎ হায়বদু তোইশিল্লকপদদি মশাদি ইরেং লেংখিদ্রে।

"হৌগৎলু, ঈশৈগা শকপা য়াম হৈদাই, ঐখোয় লান চৎলুবগী য়াম ৱারে, ঈশৈ অমত্তা শকখো, ঐখোয় তাগে, হৌগৎলু" অমুকসু শেৎ লাউখি। ঐ থোকপা ঙমদ্রে। ঐগী শুমাংদা তৌরিবদু ঐ খাম্বা ঙমদে। মরমদি নহাশিংদুনা হায়রিবা ৱাদু য়াম্না চুম্মী। ময়াম পূম্নমকসিনা অরেম্বদা শেল চাদিং তৌদুনা চাদুনা-থক্তুনা মাঙহল্লে। তৌদ-য়াদবা খরা তৌরগা য়াবদু অমুক্তোইবা অরোইবী থাদুনা মীগী মমাঙদা ফজদে হায়দুনা তৌরে। অদুগা অসোমদা খুল ঙাক্লিবা নহাশিংনা থৱায় য়োল্লি, লৈবাক ঙাক্লি। ঐনা থোক্লুবদা ঐসু শোয়দনা খোম্থি চাদৌরিবনিনা ঐ অদুম থোক্ত্রে। নহা অমনা তা থমোয়গী মখূৎতু পায়দুনা নমদুনা চিংখৎলি।

"খুল ঙাক্লুসি লাউ"

"ঐবু থম্বীরম্মো"

"য়ারোই"

"ঐ হয়েং ওইরসু লাক্কে, ঙসিদি ঐ থম্বীরম্মো"

"য়ারোই খুল ঙাক্লুসি লাউ"

তা থমোয়দু ঐখোয়গী শুমাংদগী নহাশিং অদুনা থোঙ্গাল তম্না চিংদুনা পুখ্রে। ঐ চঙশিল্লক্লগা ফমুংদা ফনা কুইনা খোঙ য়াম্থদুনা ফম্মগা উংখি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১০৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

হুয়েল লালচেলনখিয়ে। অদু নোংগী লিলচীককোল ও মিংকৌয়ে। তেকপী ওকলা ওককোলদা। পুৎথ পুৎথা চেনখিয়ে। পুৎথা লালচেল লম ও হায়না মিংথোলখিয়ে। লমলেল থোঙলেল ঙৌবী য়াঙৌ মিংকৌবদি। শেললোই তোংতারেংপম শল অঙৌবা। লংমাই খুচীন মুদুম মুবা শল। কাওরেল শলচু অঙৌবা নুংচোংবগা। তাকনা ৱাইশারাইদা চাকতাবগা। তুবী লাইরেল অঙনবা। লাইরেল চাওথোই অরেমবগা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯰꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯆꯦꯜꯂꯝꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯣꯡꯒꯤ ꯂꯤꯜꯆꯤꯀꯀꯣꯜ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯇꯦꯀꯄꯤ ꯑꯣꯀꯂꯥ ꯑꯣꯀꯀꯣꯜꯗꯥ꯫ ꯄꯨꯠꯊ ꯄꯨꯠꯊꯥ ꯆꯦꯟꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯄꯨꯠꯊꯥ ꯂꯥꯜꯆꯦꯜ ꯂꯝ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯉꯧꯕꯤ ꯌꯥꯉꯧ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫ ꯁꯦꯜꯂꯣꯏ ꯇꯣꯡꯇꯥꯔꯦꯡꯄꯝ ꯁꯜ ꯑꯉꯧꯕꯥ꯫ ꯂꯪꯃꯥꯏ ꯈꯨꯆꯤꯟ ꯃꯨꯗꯨꯝ ꯃꯨꯕꯥ ꯁꯜ꯫ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯂꯆꯨ ꯑꯉꯧꯕꯥ ꯅꯨꯡꯆꯣꯡꯕꯒꯥ꯫ ꯇꯥꯛꯅꯥ ꯋꯥꯏꯁꯥꯔꯥꯏꯗꯥ ꯆꯥꯛꯇꯥꯕꯒꯥ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯑꯉꯟꯕꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏ ꯑꯔꯦꯝꯕꯒꯥ꯫ ●